# ঈচাওনা মীওই ৬৭ শীহনখ্রবা কেরলাদা রাহুল গান্ধি চৎকদৌরি, অমিত সাহনা কর্নাটকাগী ফিভম নোংথক্তগী য়েংশিনখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা কেরলাগী ৱয়ানাদ কন্সটিট্যুয়েন্সিদা চৎতুনা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াগদৌরি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রাহুলনা হায়খি, ঈচাওনা ফিভম শোকহল্লবা ৱয়ানাদ কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেটকী ওফিসলশিং উনদুনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

কেরলাদা ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬৭ শীরে হায়না চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ননা লাউথোকপা লৈখ্রে। ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না কেরলা, কর্নটকা অমসুং গুজরাটতা নোংজুগী চাং হন্থরক্লগনি।

ৱয়ানাদ, কনুর অমদি কসারগোদ দিষ্ট্রিক্টতা নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা রেদ এলার্ট লাউথোক্তুনা মীয়ামদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রবনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা কেরলাগী মলাপুরম দিষ্ট্রিক্টতা লেন দস্লাইদ থোকখিবদা মীওই ৫০ রোম লৈখোম লৈনাং মরক্তা ফুমজিনখ্রে হায়না থাজনরি।

চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ননা লুচিংবা লৈঙাক্লা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা রিলিফ কেম্প ৭০০ হাংদোক্তুনা মীয়ামগী চঙজফম পীনবা থৌরাং লৌখৎলি। অদুম ওইনমক অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা কর্নাটকাগী দেলগবিগী ফিভম নোংথক্তগী য়েংশিনখ্রে। কর্নাটকাদা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ৩০ রোম শীখিবগা লোয়ননা মীওই লাখ ২ হেন্না খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনবা লৈখ্রবনি।

নোং কন্না চুবদগী নুমিৎ নীনি সার্ভিস লেপ্পুরবা মতুংদা ঙসি কোচিন ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা অমুক হন্না ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা হৌখ্রে। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদা অবু ধাবিদগী পায়রকপা ইন্দিগোগী ফ্লাইট অমা কোচিন ইন্টর্নেসনল এয়ারপোর্টতা থুংলখি। রন ৱে অমদি এয়রপোর্টকী অকোইবা মফম পুম্নমক ঈশিং থুমজিনখিবা মরম্না কোচিন এয়রপোর্টতা ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা লেপহন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি ফিভম ফগৎলক্লবনিনা হান্নগী মতৌগম ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা হৌরে হায়না এয়রপোর্টকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ম্যাপ্রদেশতগী নাং কন্না চুখ্রবসু মরু ওইবা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপগা লোয়ননা ঈচাওগা মরী লৈনবা থবক থৌদোকশিংদা মওই ৩২ শীখি। থার দিষ্ট্রিক্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা বদনৱারদা বলৱন্তি তুরেলগী মীমায়য় পাথেশরকপদা চেন্থখ্রে।

নোংচুপ থংবা মধ্যা প্রদেশকী খরগোন দিষ্ট্রিক্টতসু রুপরেল তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদা মফম কয়া ঈশিং থুমজিননবগা লোয়ননা মীওই অমা ঈরৈনা চেন্থখ্রে হায়রি। মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা বরৱানি দিষ্ট্রিক্টতা খুঙ্গং ১০দা লৈবা ইমুং ৮৫ রোমগী মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৫২গী মনুংদা ভোপাল য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ১৩দা নোংজুগী চাং কা হেন্না ৱাংবগা লোয়ননা নরমদা, চম্বল, টাপতি, পারৱতি, বলৱন্তি, রুপারেল অমসুং সুকট তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলকখি।

বরৱানি দিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টর অমিত তোমারনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অতৈ অতোপ্পা দামশিংদগী ঈশিং থাদোরকপা মরম্না নরমদা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপা য়ানা লৈরে। সুকট অমদি অনাস তুরেলসু ঈমায় পাথোরকপদগী ঝাবুৱা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীওই কয়ামরুম খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখি।

# সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহন্নবা বিল প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং ৩০দগী ৩৩দা হেনগৎহন্নবা বিল অমা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখ্রে।

চয়োল অসিগী হৌগৎলকপদা পার্লিয়ামেন্টনা দি সুপ্রিম কোর্ট (নম্বর ওফ জজেজ) এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবনি। হৌজিক হৌজিক চীফ জষ্টিস য়াওরগা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং ৩১ লৈরি। অনৌবা লো অসি চৎনরবা মতুংদা এপেক্স কোর্টকী অপুনবা জজ মশিং ৩৩ লৈরগনি।

কেস কয়ামরুম মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবা মরম্না এপেক্স কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহন্নবগী ৱাফম লাকখিবনি। হন্দক্তা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল থাদুনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহনবীনবা ৱাফম তকশিনখিবনি।

রাজ্য সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লো মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা কেস ১১,৫৯,৩১১ পন্দুনা লৈরি। জজ মশিং ৱাৎপা মরম্না মরু ওইবা কেসশিং ৱায়েল চথুনবগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ শেম্বা ঙমদনা লৈরি।

চহী ৩০ রোমগী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টকী অপুনবা জজ মশিং ১৮ ওইরম্বদগী ২৬তা হেনগৎহনখি। কুমজা ২০০৯দনা অপুনবা জজ মশিং ৩১দা হেনগৎহনখি। হৌজিকমক্কী ওইনা জজগী ৱাৎপা লৈবনা মরু ওইবা কেসশিং ৱায়েল চথুবা ঙমদনা লৈরে হায়না চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখি।

প্রসিদেন্টনা ঙসি অয়াবা পীখ্রবা লেজিসলেসন অসিগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহন্দুনা হান্নদগী পন্দুনা লৈরক্লবা কেস কয়ামরুম মতম চানা ৱায়েল চথুবা ঙমহল্লগনি। লো অসি চৎনবা হেক হৌবগা সুপ্রিম কোর্টকী কোলেজ য়াওনা মীওই ৩গী মিং রিকমেন্দ তৌদুনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহল্লগনি হায়না লো মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# ই ভি এমগী মতাংদা শীরক্লিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)গী মতাংদা শীরক্লিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার সুনিল অরোরানা ফোঙদোকখ্রে।

আই আই এম - কলকতাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ই ভি এম শেমদোক শেমজিন তৌবা ঙম্লোই হায়বা মীয়ামদা উৎখ্রবনি। অতৈ অতোপ্পা মেছিনশিংগা মান্নবা মওংদা ই ভি এমসু করিগুম্বা মতমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবা য়াই। অদুম ওইনমক ই ভি এমগী দেটা অরানবা মওংদা শীজিন্নবা ঙম্লোই।

মমিং লৈরবা ফাম অনীনা দিজাইন তৌরগা ই ভি এম পুথোকখিবনি হায়না পল্লদুনা অরোরানা হায়খি, লৈবাক্কী মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুটশিংগী শক্লাইরবা ওফিসার কয়ানা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পুথোরকখিবা মেছিন অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নবা ঙম্লোই।

ৱেষ্ট বেঙ্গল নেসনল য়ুনিয়ভর্সিটি ওফ জুরিদিকেল সাইন্সেস অমসুং আই আই এম কলকতানা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়খি, মীখলগী ফল লাউথোরক্লবা মতুংদা কোংগ্রেস অমসুং ত্রিণামুল কোংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসন পার্টি কয়ানা ই ভি এমগী মতাংদা মরাল কয়া শীখি।

মেছিন ওইবা মরম্না অতৈ মেছিনগা মান্নবা মওংদা ই ভি এমসু করিগুম্বা মতমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবা য়াই। মসিমক্না ই ভি এমদা মপুং ফানা থাজবা থম্লোইদবনি হায়না লৌবা লানগনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি টেলুগু দেসম পার্টি (দি টি পি)গী লুচিংবা এম চন্দ্রবাবু নাইদুনা নেসনল কনফরেন্সকী ফরুক অব্দুলা অমসুং মহারাষ্ট্র নবনিরমন সেনাগী প্রসিদেন্ট রাজ থাকরে য়াওনা মীওই কয়ানা ই ভি এমগী মতাংদা নুংনাংবা ৱাফম ফোঙদোক্লুরকখিবনি।

মীখল পাঙথোকপদা ইলেক্সন কম্মিসননা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা অরোরানা হায়খি, মীখল হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী মীৎয়েংদা য়েংবদা লোগী মতুং ইন্না তঙাইফদনা পাঙথোকফম থোকপনি। মীপুম খুদিংমক নত্রবসু মীওই খরনা ইলেক্সন কম্মিসনগী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে।

# সংস্কৃতনা মরম ওইরগা টৌকিং কম্প্যুটর পুথোকপা ঙম্লগনি



মুম্বাই, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা সাইন্টিফিক লেংগ্বেজনি হায়না লৌনরিবা সংস্কৃতনা মরম ওইরগা টৌকিং কম্প্যুটর পুথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রমেস পোখ্রিয়ালনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি-বোম্বে (আই আই টি-বি)গী ৫৭ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংখিবদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা)গী সাইন্টিষ্টশিংনা অথুবা মতমদা টৌকিং কম্প্যুটর পুথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

নাসাগী সাইন্টিষ্টশিংনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি সংস্কৃতনা মরম ওইরগা মায় পাকপগী ফিভমদা লৈরে হায়না খঙহল্লক্লে। ৱাহৈ ওইনা ঙাংথোকপগা অইবগা চপ মান্নবা মরম্না সংস্ক্রিত শীজিন্নরগা টৌকিং কম্প্যুটর শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরনা হায়খি, অয়ুরবেদগী মরমদা মরু ওইবা খুদোল তন্নম্বা চরকা রিসিনা এটোম অমদি মোলিক্যুলগী মরমদা থিজিনবদা শরুক য়াখি।

# হি লুপ্পদা শীখিবা মীওই ১৭ শুরে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী শাংলি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা হি লাকপগী থৌদোক্তা শীখিবা মীওই ১৭ শুরে।

নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুখিবা মরম্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওই লাখ ৪ রোম খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, নোংচুপ থংবা মহারাষ্ট্রদা ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপদগী তঙাইফদনা অলমাতি দামদগী ঈশিং থাদোকপা হৌরে। হৌখিবা চয়োল অমগী মনুংদা নোংচুপ থংবা মহারাষ্ট্রগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫দা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা পুন্না মীওই ৩০ শীখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু হি লাকখিবগী থৌদোক অমদা মীওই ৯ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি।

# টামিলনাদুগী ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিক্কর শুংফমশিংদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা লুপা ক্রোর ৭০০ ফাগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা টামিলনাদুগী বিয়র অমদি ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিক্কর (আই এম এফ এল) শুংফম অনীদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা মরম চাদনা থল্লম্বা লুপা ক্রোর ৭০০ রোম থেংনখ্রে।

চেন্নাই, কোইম্বেটোর অমদি থনজাবুর লোয়ননা কেরলা, অন্ধ্র প্রদেশ অমদি গোৱাগী তোঙান-তোঙানবা মফম ৫৫দা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখিবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা বিয়র অমসুং আই এম এফ এল শুংবদা মমিং লৈরবা কম্পেনি অমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা চথুখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা শেনফম লৈরম্বা থেংনখি হায়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা টেক্স থিদনা লাকখিবা কম্পেনি অসিনা অরানবা মওংদা বিয়র অমসুং আই এম এফ এল শুংবগী থবক চথুরে হায়বা পাউ ফংবদগী অখন্নবা থৌরাং অমগী মতাংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখিবনি হায়রি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মতৌ অসুম্না মফম কয়াদা লেপ্তুনা ওপরেসন চথুরকপদা তোঙান-তোঙানবা কেম্পেনিশিংনা টেক্স থিরমদবা থেংনখ্রবনি। মমিং লৈরবা বিয়র অমসুং আই এম এফ এল শুংবা কম্পেনি অমনা অরানবা থৌওং চথুরে হায়বগী থাজনিংঙাই ওইব পাউ অমা ফংলবা মতুংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা কম্পেনি অসিগা মরী লৈননবা মফম ৭তা থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি।

কম্পেনি অসিনা হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ৩০০ রোমগী টেক্স থিরমদবসু থেংনখি। কম্পেনি অসিদা থবক তৌবা মীংওই খরগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা চথুখিবা ওপরেসনদা মরম চাদনা থল্লম্বা লুপা ক্রোর ৭০০ রোমগী শেনফমসু লৈরম্বা থেংনখি। হিরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা এক্টশিং শীজিন্নদুনা মখা তাবা থবক পায়খৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

# নেসনল দিজাষ্টর থোক্লে হায়না লাউথোক্তুনা শেল থাদনবা কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঈচাও থোক্লিবা অসিগী য়েংলগা নেসনল দিজাষ্টর লাউথোক্তুনা খুদক্তা ফন্দ থাদগদবনি হায়না কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে।

কোংগ্রেসকী নেসনল স্পোক্স পার্সন জয়বির সেরগিলনা হায়খি, ষ্টেট কয়াদা হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। মফম খরদদি মীওইচা কয়ামরুম ময়ুম মকৈ লৈহন্দবগা লোয়ননা মীশি মীনা ফাওবা য়াওহল্লে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা সেন্টরনা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাকশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না ফন্দ থাদনবা নেসনল দিজাষ্টর লাউথোকপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগীদমক লেপ্লি। মীয়ামগী মতেং পাঙলিবা ইন্দিয়ান অর্মি, ইন্দিয়ান নেভি, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসন পুম্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না জয়বির সেলগিলনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবদা অমদা মহাক্না হায়খি, মফম কয়াদা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওইচা কয়া শীখ্রবসু সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মতেং পাঙনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎত্রে। অৱাং নোংপোক্কী ওইনা অসামদা হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরবসু সেন্টনা হৌজিক ফাওবদা লুপা অমা ফাওবা মতেং পাঙদ্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭কী কন্ট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সি এ জি)গী রিপোর্ট পল্লদুনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা হায়খি, সেন্টরনা ফন্দ মতিক চানা থাদবা ঙমখিদবা মরম্না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৭তা ঈচাওগা মরী লৈননা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমখিদে।

মহারাষ্ট্রদা হৌজিক হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরবসু ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা তেঙবাং পীবদা পুক্নিং চঙবগী মহুৎতা মশাগী অয়েকপা শক্তম য়াওবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

# আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা টেররিজম লোইশিনহনবগা লোয়ননা কাশ্মিরদা চাওখৎ থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎপা ঙম্লগনি ঃ অমিত সাহ



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হায়খ্রে মদুদি জম্মু এন্দ কাস্মিরদা স্পেসল ষ্টেটস পীরম্বা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা টেররিজম লোইশিনহবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙম্লগনি।

চেন্নাইদা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুগী লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা অমিত সাহনা হায়খি, লৈবাক মীয়ামদা করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পীদবা মরম্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে।

চৈরকসিদা মফম মফম খরদা খৎনা চৈনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্লা স্রিনগরদা অমুক হন্না মী পুনবা য়াদবগী অথিংবা থমখ্রে। মফম কয়াদা পুলিসনা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা মীয়াম অমদি দুকান ফম্বা মীওই পুম্নমক ময়ুম ময়ুমদা হনখিনবা খঙহনখি।

থাংজ নুমিৎতা হোম মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অমনা হায়খি মদুদি স্রিনগর অমদি বরামুলাদা মীওই ২০ রোম তিন্দুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীওই কয়না অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌরক্লে হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখিবগী মতাংদা হংবদা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, মফম খরদা নুংলংশিল্লকপগী থৌদোক খরা থোকখিবা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকপা লৈত্রি।

কাশ্মির তম্পাক্তা মীওই লিশিং ১০ রোম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোক্লরিল্লবা অসি শেমজিন শাজিনবা ৱাফমনি।

ষ্টেট পুলিসকী চীফ দিলবাঘ সিংহনা হায়খি মদুদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকপা লৈত্রি। থাংজ নুমিৎতা মীওই কয়ানা ইদকী পোৎ-চৈ লৈবা থোক্লরকখি। কনাগুম্বনা অরানবা তোকঙা শনে দারকপদা মীয়াম্না থাজবীগনু হায়নসু পুলিস চীফনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা এদমিনিষ্ট্রেসননা মীয়ামগী ঈ-পাউ ফাওনবদা খুদোংচানবগীদমক স্পেসল টেলিফোন বুথ ৩০০ হাংদোকখ্রে। জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মহৈ তমদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ইমুং মনুংগী মীওইগা পাউ ফাওনবদা খুদোংচানবগীদমক অলিগর অমদি ন্যু দিল্লি য়াওনা মফম কয়দা লিএজন ওফিসারশিংসু মথৌ তৌহনবা হৌখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্লা লিএজন ওফিসারশিংদা লুপা লাখ অমমম পীদুনা ময়ুমদা হনবদা খুদোংচাদ্রবা মহৈরোইশিংগীদমক ইদকী কুম্নৈ পাঙথোক্লবা খঙহনখি। দেপ্যুতি কম্মিস্নারশিংগী ওফিসতসু অনৌবা টেলিফোন লাইন কয়া হাংদোক্তুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পাউ ফাওনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।